## য়ু এন্না নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে

য়ুনাইটেদ নেসন্স, ওগষ্ট ৩০ (এজেন্সি) :
য়েমেনগী অদেন অমসুং অবিয়ানদা হৌখিবা নুমিৎ নিনি অসিদা খুৎ থোক্লখিবদা মীওই ১৩ শিখ্রে অমসুং য়ামদ্রবদা অতৈ ৭০ অশোক-অপন নংখ্রে হায়না য়ু এন স্পোক্সমেন অমনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ু এন সেক্রেটরি-জেনরেল এটোনিও গুটরেসকী স্পোক্সমেন ষ্টেফান দুজারিক্না শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদোকখিবদা, অদেনগী লম্বীশিং পুমহাং হাংখ্রে অমসুং মফম অদুগী এয়রপোর্টতগী পাইগদবা ফ্লাইটশিং অমসুং এয়রপোর্ট অদুদা পাইরক্কদবা ফ্লাইটশিং লান অদুনা মরম ওইদুনা মতম খরগী ওইনা লেপহনখ্রে।

## রসিয়ন সিক্যুরিটিগা মরী লৈনৈ

বর্লিন, ওগষ্ট ৩০ (এজেন্সি) : হৌখিবা চয়োলদা বর্লিন্দা জোর্জিয়ন সিটিজন অমা হাৎখিবগী থৌদোক্কা মরী লৈননা ফাখিবা মীওই অদু রসিয়ন সিক্যুরিটি সর্ভিসেসকা মরী লৈনবা নম্বর য়াওবা পাসপোর্ট অমা পায়রম্লে হায়না জর্মন মেগজিন অমনা ফোঙদোকখ্রে।

# সিরিয়া, রসিয়ানা রেবেল ষ্ট্রোংহোল্ডদা চথবা এটেক কনশিনখ্রে : ওপোজিসন, ব্রিটনেসশিং



বৈরুট, ওগষ্ট ৩০ (এজেন্সি) :
ইরান্না শৌগৎপা মিলিস্যাশিং য়াওনা অহেনবা ফোর্সশিং দিপ্লোই তৌদুনা অমসুং অহেনবা এয়র রেইদ কয়া চথবগা লোয়ননা সিরিয়া অমসুং মীচং রসিয়ানা সিরিয়ন রেবেলশিংগী অরোইবা ষ্ট্রোংহোল্ডদা চথবা ওফেন্সিভ হেন্না কনশিনখ্রে হায়না আর্মি দিফেক্টরশিং অমসুং মফম অদুগী মীওই কয়ানা ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

রসিয়ানা লুচিংবা এলাইএন্সনা অৱাং নোংচুপ থংবা ইদলিব প্রোভিন্সকী মী কুংনা তাবা মফমশিংদা লেপ্তুনা থোমজিনখিবগা লোয়ননা মফম অদুগী মীচম কয়া সিরিয়াগী খরা শাফগদবা অতৈ মফমশিংদা লাঞ্জেন্নখ্রে হায়রি।

দমাস্কস অমসুং মীচং ওইরিবা মোস্কোনা লাঞ্জং খুমাঙ চাওশিনবা ঙম্বগী পাউ মরক্তা মখোয়গী ওফেন্সিভ অদুনা মরম ওইদুনা য়ু এনগী মায়কৈদগী লমদম অদুদা হ্যুমেনিটরিয়ন ক্রাইসিস অমা থোকহল্লগনি হায়না ৱার্নিং তৌখ্রে।

কুমজা ২০১৫ দা মোস্কোনা প্রসিদেন্ট বসর অল-অসাদকী মীচং চঙদুনা সিরিয়াগী লান্দা য়াওশিনখিবদগী চহী ৮ শুরক্লবা লান অদুদা গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংনা মমাংদা লৈরম্বা ফিভমদগী হোংদোক্তুনা রেবেলশিংবু মপুং ফানা মায়থিবা পীবা ঙম্বগী ফিভম অমদা লাকখিবনি।

রসিয়ানা মতেং পাংদুনা সিরিয়ন ফোর্সেসশিংনা অৱাং নোংচুপ থংবা লমদমদা চথরিবা ওফেন্সিভ অদু অহেনবা এলিট য়ুনিটশিং অমসুং ইরান্না শৌগৎপা মিলিস্যাশিং চঙশিনখিবদগী হেন্না কনশিনখ্রে হায়না দিফেক্টরশিং অমসুং মফম অদুগী মীওইশিংনা ফোঙদোকখি।

জাইস অল ঈঝা রেবেল গ্রুপকী কম্মান্দর অমা ওইরিবা কর্নেল বুষ্টাফা বকোরনা ফোঙদোকখিবদা, নুমিৎ খুদিংগী মফম অদুদা ইরানিয়ন মিলিস্যাশিং, এলিট রিপব্লিকান য়ুনিটশিং অমসুং মরিশুবা আর্মরদ দিভিজন্না রিইনফোর্সমেন্টশিং থাজিল্লক্লি। মফম অদুদা ৱার প্লেনশিংগী এক্তিভিটিশিং য়েংশিল্লিবা এক্তিভিষ্টশিংগী মতুং ইন্না ৱাংনা পাইবা জেটশিংনা ইদলিব সিটিগী চিদাইগী শরুকশিংদা বোম মশিং থিঙমদনা থাদদুনা মী কুংনা তারিবা প্রোভিন্সিএল কেপিটেল অদুদা অকনবা এয়র রেইদ চথখ্রে।

## ইরানগী টেঙ্কর টর্কিগী ইস্কেন্দেরুন পাংখ্রে




এথেন্স, ওগষ্ট ৩০ (এজেন্সি) :
ৱাশিংটন অমসুং টেহরানগী মুক্ক বা মরক্তা কন্না চেন্নরিবা ইরানিয়ন ওইল টেঙ্কর অমা ইরাই নুমিত্তা লম্বী হোংদুনা অমুক হন্না টর্কিগী মায়কৈ পাংখ্রে হায়বসি সিপ্পিং দেতাদগী খঙবা ঙম্লে হায়রি।

হান্না গ্রেস ১ কৌরম্বা হৌজিক্কা অদ্রিয়ন দরিয়া হায়না নৌনা মমিং থোল্লবা টেঙ্কর অদু হৌজিক টর্কিগী খা নোংপোক থংবা হিথাংফম ইস্কেন্দেরুন পাংখ্রে হায়বসি ট্রেকিং সাইট মরিন ট্রাফিক্কী দেতানা উৎখি।

জহাজ অদুনা নুমিৎ ১০ নিগী মনুংদা লমথুংফম মায়কৈ হোংবসি হন্দক্কীসিনা অহুল্লক শুবনি। সিরিয়াগী বানিয়াস রিফাইনরিদগী অৱাংলোমদা কিলোমিটর ২০০ রোম লাপ্পা লৈবা ইস্কেন্দেরুন অসি টেঙ্কর অদুগী অহানবা লমথুংফম ওইগনি হায়না থাজনখি।

থাউ বেরেল মিলিয়ন অনী পুরিবা ভেসেল অদ্রিয়ন দরিয়া অসি য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী অথিংবশিং খোঙ্গাওন্দুনা ইরানগী থাউ সিয়াদা পুদুনা চৎলম্বগী চিংনবদা য়ুম্ফম ওইরগা বৃটিশ রোয়ল মরিন্সনা চয়োল ৫ গিবাল্টরগী মনাক্তা ফাজিন্দুনা থম্লুরবা মতুং ওগষ্ট থাগী ময়াই চনবা শরুক্তা বৃটিশ ষ্টেট অসিনা থাদোকখিবনি।

হান্না ইরানগী রেভোল্যুসনরি গার্দশিংবু টেররিষ্ট গ্রুপ অমনি হায়না লাউথোকখ্রবা য়ু এসনা টেঙ্কর অদু রেভোল্যুসনরি গার্দশিংনা কন্ট্রোল তৌরিবনি হায়রদুনা লমদম অদুদা লৈরিবা লৈবাকশিংদা ভেসেল অদুবু মতেং পাংদনবা ৱার্নিং তৌবা লৈখ্রে। হৌখিবা নিংথৌকাবদা ইরানিয়ন গভর্নমেন্টকী স্পোক্সমেন অমনা টেঙ্কর অদুদা য়াওরিবা থাউ য়োনখ্রে হায়না ফোঙদোকখিবনি।

# মাইগ্রেন্ট ১৫০ হেন্না স্পেনগী নোর্থ অফ্রিকান এনক্লেভকী বোর্দর ফেন্সিং লানশিনখ্রে



মদ্রিদ, ওগষ্ট ৩০ (এজেন্সি) :
মাইগ্রেন্ট ১৫০ হেন্না ইরাই নুমিৎকী অঙনবদা স্পেনগী নোর্থ অফ্রিকাদা লৈবা এনক্লেভ সিয়ুতাগী বোর্দর ফেন্সিং লানশিনখ্রে অমসুং য়ামদ্রবা স্পেনিস পুলিস ওফিসর ৬ মখোয়বু থিংনবা হোৎনরুবদা অশোক-অপন নংখ্রে হায়না সিটি অদুগী গভর্নমেন্ট স্পোক্সমেন অমনা ফোঙদোকখ্রে।

মোরোকোগী অৱাং থংবা সমুদ্র খোংবান্দা লৈবা স্পেনিস এনক্লেভশিং সিয়ুতা অমসুং মেলিলা অসি হেন্না ফবা পুন্সি মহিং অমা ফংনবা থিবদা য়ুরোপ য়ৌনবা হোৎনরিবা অফ্রিকাগী ইলিগেল মাইগ্রেন্টশিংনা ইহান হান্না টার্গেট তৌবা মফমশিং ওইরিবনি।

এনক্লেভশিং অদু মথক্তা রাঝর ৱেয়র হাপ্পা ফুট ৬ ৱাংবা শম্বলনা কোয়না খাজিন্দুনা লৈরিবনি। মাইগ্রেন্ট ২৫০ রোম্না ৱাংলবা শম্বলদু লান্না চোংখি অমসুং মীওই ১৫৫দি মায় পাকখি হায়না স্পোক্সমেন অদুদা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, হন্দক মাইগ্রেন্টশিংনা থোমজিল্লকখিবসি মমাংদা থোকখিবা মওংদা চাংদম্নবদা থোইদোক্না ভাইওলেন্স য়াওদে হায়বা য়াই। অদুমওইনমক য়ামদ্রবদা পুলিস ওফিসর ৬ অমসুং মাইগ্রেন্ট খরা অশোক-অপন নংখি।

ইলিগেল মাইগ্রেন্টশিংনা মমাংদা বোর্দর ফেন্স লানখিবগী ইকোন কোনবা থৌদোক অদু হৌখিবা চহীগী ওগষ্টতা থোকখিবনি। মতম অদুদা ইলিগেল মাইগ্রেন্ট ১১৮ স্পেনিস টেরিটরিদা থুংখিবদা অয়াম্বনা মতুং তারকপদা মোরোকোদা নমদুনা হল্লহনখিবনি।

সিয়ুতাদা মশিং য়াম্লবা মাইগ্রেন্টশিংনা শম্বল লানখিবগী থৌদোক অদু ইটালিনা লৈবাক অসিগী হিথাংফমদা খাম্বা য়াহন্দবদগী মাইগ্রেন্ট ১৫ য়াওবা স্পেনিস জহাজ অমা স্পেন্দা থুংজিল্লকখিবগা চান্ননা থোকখিবনি।

# হোং কোংগী প্রো-দিমোক্রেসি এক্তিভিষ্ট জোসুৱা ৱোং ইলিগেল প্রোটেষ্ট শীন-লাংবগী মরাল শীখ্রে

হোং কোং, ওগষ্ট ৩০ (এজেন্সি) :
চহী ২০ হেনবগী মনুংদা এসিয়াগী মরু ওইবা ফাইনান্সিএল হব ওইরিবা হোং কোংদা থোক্লকখিবা খ্বাইদগী চাওবা পোলিটিকেল ক্রাইসিসনি হায়না লৌনরিবা মীয়ামগী ইরাং লাকশিন্নবা হোং কোংগী ওথোরিটিশিংনা লৌখৎলকখিবা খোঙথাংশিংগী শরুক অমা ওইনা ইরাই নুমিত্তা প্রো-দিমোক্রেসি এক্তিভিষ্ট জোসুৱা ৱোংবু ইলিগেল ওইবা প্রোটেষ্ট অমা শীন-লাংবগী মরাল শীখ্রে।



চহী ৫ গী মমাংদা প্রো-দিমোক্রেসি প্রোটেষ্ট কয়া লুচিংখিবা ৱোংনা চাইনানা সিটি অদুবু হেন্না কন্না কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনরক্লে হায়বগী থাজবদা য়ুমফম ওইরগা মীয়াম্না হৌখিবা জুনগী ময়াই চনবা শরুক্তগী গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা চথরকখিবা প্রোটেষ্টকী খোঙজংশিং কনশিনখিবদগী ফাগৎখিবা এক্তিভিষ্টশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মশক নাইবা ওইরি। হান্নগী বৃটিশ কোলোনি অদুদা চাইনানা দেমোক্রেটিক মীখল পাঙথোকহন্দনবা ৱারেপ লৌখিবা নুমিৎকী ৫ শুবা কুমওন নুমিৎকী মাঙওইননা ফোর্স উৎপকী থৌওং অমদা পুলিসনা অতৈ এক্তিভিষ্ট কয়া ফাবগা লোয়ননা থাংজ নুমিত্তা পাঙথোক্লবা লেপখ্রবা দিমোনষ্ট্রেসনগী থৌরাংশিংসু থিংজিনখি।

মহৈরোয়শিংনা লুচিংদুনা অম্ব্রেলা মুভমেন্ট হায়না খঙনবা ইহৌ অমা চঙশিনখিবা মতমদা মশাগী চহী ১৭ শুবদা ঙাইরিবা ৱোং অসি সিটি অদুদা হৌজিক চথরিবা প্রোটেষ্টশিং অদুদা য়াম্না মরু ওইবা মীশক অমা ওই হায়না লৌনদ্রিবনি। মহাক কন্টেম্প ওফ কোর্টকা মরী লৈননা চয়োল ৫ জেলদা থমখিবা মতুং হৌখিবা জুন্দা জেলদগী থাদোরকখিবনি। ৱোং অমসুং ফেলো এক্তিভিষ্ট অগনেস চোবু হৌখিবা জুন ২১ দা লোনা য়াদবা মওংদা পুলিস হেদক্বার্টরসকী মপান্দা মীটিং অমা শীন-লাংখিবগী মরাল শীখি। মখোয় বেলদা থাদোকখিবগা লোয়ননা কেস অদু নবেম্বর ৮দা য়ৈথোকবিনি।

# ইন্দোনেসিয়ানা দেমোনষ্ট্রেটরশিংদা ঈরাং লেপ্নবা আপিল তৌখ্রে



জকার্তা, ওগষ্ট ৩০ (এজেন্সি) :
কাঙলুপ নাইবগী থৌওংশিংগী মতাংদা থিজিন্নবা দেমোনষ্ট্রেটরশিংনা তাল্লিবা দিমান্দ থুংহল্লে হায়রদুনা ইন্দোনেসিয়াগী চীফ সিক্যুরিটি মিনিষ্টরনা ইরাই নুমিত্তা লৈবাক অদুগী নোংপোক থংবা চিদাইগী লমদম পপুৱাগী মীয়ামদা ঈরাং লেপ্নবা আপিল তৌখ্রে।

ওথোরিটিশিংগী কাঙলুপ নাইবগী থৌওংশিংগী মায়োক্তা লমদম অদুগী মীয়াম্না চয়োল অনীরোম লেপ্তুনা প্রোটেষ্ট তৌরকখিবনি। পোলিটিকেল, লিগেল অমসুং সিক্যুরিটি এফ্যেরসকী কোওর্দিনেটিং মিনিষ্টর ৱিরাংতোনা কেপিটেল জকার্তাদা পপুৱাগী মরু ওইবা মীশক কয়াগা লোয়ননা পাঙথোকপা জে াইন্ট ন্যুজ কনফরেন্স অমদা আপিল অসি তৌখিবনি।

ঐখোয়দা ইকাইবা পীরে নৎত্রগা তাথি তাওইনা তৌরে হায়বগীদমক্তা ঐখোয় মশেল হা ৎনবা হায়বসি অচুম্বা থৌওং ওইরোই হায়না পল্লদুনা ৱিরাংতোনা পপুৱাগী ইরাং হৌরিব মীয়ামদা ভাওইওলেন্স থাদোক্তুনা ঈংনা চিক্না লৈননবা অমসুং লমদম অদুবু য়াম্না থুনা চাওখহনবা য়ানবগী ৱাখল্লোনগা লোয়ননা মহৌশাগী পুন্সিদা হঞ্জিন্নবা আপিল তৌখি।

কাঙলুপ নাইবগী থৌওং কয়া ওথোরিটিশিংনা চথৈ হায়বগী ৱাহৌদা চহী কয়ামুক ইরাং থোক্তুনা লাকখিবা পপুৱাদা গভর্নমেন্টনা লমদম অদুগী মীয়ামদা মরা তপ্পা ফিভম লৈননবা হঞ্জিন-হঞ্জিন্না আপিল তৌদুনা লাকখিবনি।

প্রোটেষ্টর খরনদি নীং তম্বগী মতাংদা রেফরেন্দম অমা পাঙথোক্ল বা ফাওবা দিমান্দ তৌরিবনি। তৌইগুম্বসুং ৱিরাংতোনা অসিগুম্বা খোঙথাং অমত্তা য়ারোই হায়খি।

নেসনল পুলিস স্পোক্সমেন দেদি প্রাসেটেয়োগী মতুং ইন্না প্রোটেষ্টরশিংনা বিল্ডিং কয়া অমসুং কার কয়া মৈ থাখ্রবা প্রোভিন্সিএল কেপিটেল জয়াপুরাদা ইরাই নুমিৎকী অহিংদা অহেনবা পুলিস ওফিসর ১২৫০ সু দিপ্লোই তৌরগনি।

য়ুমশকৈশা নুমিত্তা জয়াপুরাদগী কিলোমিটর ৫০০ রোম লাপ্পা লৈবা মনুং হঞ্জিনবা দৈয়াই টাউন দা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোক্তা লান্মী অমগা মীচম অনীগা শিখিবনি। সেপরিটিষ্ট গ্রুপ অমনদি থৌদোক অদুদা মীওই ৬ শিখি হায়না ক্লেম তৌখি।

# চাইনিজ প্রসিদেন্ট সী জিন পিংনা ফিলিপিন্সতা পুন্না ইনর্জি এক্সপ্লোরেসনগী থবক পায়খৎমিন্নবা য়াগনি হায়না থাজরি

সাংহাই, ওগষ্ট ৩০ (এজেন্সি) :
চাইনা অমসুং ফিলিপিন্সনা সাউথ চাইনা সীদা সোভরেন্টিগী মতাংদা য়েৎনরিবদু নীংথিনা য়াশিন্নবা ঙল্লবদি লৈবাক অনীনা মফম অদুদা থাউ অমসুং গ্যাস রিসোর্সশিং থিজিন-হুমজিনবগী হেন্না চাওবা খোঙথাং অমা পায়খৎমিন্নবা য়াগনি হায়না চাইনিজ প্রসিদেন্ট সী জিন পিংনা ফোঙদোকখ্রে।



প্রসিদেন্ট সীনা বৈজিংদা শগোলশেল নুমিত্তা ফিলিপিন্সকী প্রসিদেন্ট রোদ্রিগো দ্যুটরটেগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। ফিলিপিন্সতা প্রো-চাইনা ফোরেন পোলিসি চৎনহল্লিবা অমসুং চাইনাগী মরিন টাইম প্লেনশিংবু শীংনবা পামদ্রিবা ফিলিপিন্সকী প্রসিদেন্ট অসি মরৈবাক্তা কৃটিকশিংনা কন্না চৈ থাংলিবনি।

চাইনিজ ভেসেলশিংনা মালেসিয়া, ভিয়েটনাম অমসুং ফিলিপিন্সকী ইনর্জি এসেটশিং অমসুং সমুদ্রগী বাওন্দরিশিং শীংনবগা লোয়ননা মায়কৈ কয়াদা উংখৎনবা হেনগৎলক্লিকৈঙৈ চৈরক্তা দ্যুটরটেনা বৈজিংদা খোঙচৎ অমা চৎলিবনি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা চাইনাবু ফোর্স শীজিন্নদুনা লমদম অদুদা খুৎ থিংজিল্লি অমসুং লমদম অদুগী দোলর ট্রিলিয়ন ২.৫কী থাউ অমসুং গ্যাসকী বিজিনেসতা অকায়বা পীনবা হোৎনরি হায়না মরাল শীখিবগা লোয়ননা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন্নসু য়ুমশকৈশা নুমিত্তা লমদম অদুগী মরিটাইম সিক্যুরিটি ইনভাইরনমেন্টগী ফিভম শোকচিল্লক্লিবদুদা নুংনাংবা উৎলদুনা অহুমশুবা পার্টিশিংনা ৱাতেন্বগী ৱাফম হৌদোকখি।

সাউথ চাইনা সীদা সিক্যুরিটিগী ফিভম শোক্লকপা অমসুং লমদম অদুগী তং তাবা ফিভম কায়রকপগী মওংদা শগোলশেল নুমিত্তা বৃটেন, জর্মনি অমসুং ফ্রান্সনা নুংনাংবা ফোঙদোকখি। নাকল অনীনা সাউথ চাইনা সীগী ইশ্যু নীংথিনা হেন্দন তৌরবদি বাইলেটরেল মরীশিংসু ফগৎলক্কনি হায়না সী জিনপিংনা মীফম অদুদা হায়খি।

# ইষ্ট দি আর সীদা ঈবোলা শন্দোরকপদগী মীওই ২০০০ হেন্না শিখ্রে



কিন্সাসা, ওগষ্ট ৩০ (এজেন্সি) :
দেম্মাক্রেটিক রিপব্লিক ওফ কোঙ্গো (দি আর সী)গী নোংপোক থংবা শরুক্তা চহী অমা শাংনা ঈবোলাকী লাইচৎ শন্দোরকখিবদা শিখিবা মী মশিং ২০০০ হেনখ্রে হায়বসি ইরাই নুমিত্তা ফোঙখিবা গভর্নমেন্টকী দেতানা উৎখ্রে।

গভর্নমেন্ট দেতা অদুনা কনফার্ম তৌরবা ঈবোলাগী কেস ৩০০০ হেল্লে হায়বসিসু উৎখি। হৌখিবা চহীগী ওগষ্টতা ওফিসল ওইনা লাউথোকখিবা লাইচৎ অদু কুমজা ২০১৩-১৬গী ৱেষ্ট অফ্রিকাদা থোকখিবা রেকোর্দ ওইবা মওংগী লায়না অসিগী লাইচৎকী মতুংদা অনীশুবা খ্বাইদগী শাথিবা লায়না অসিগী লাইচৎনি হায়না লৌনরি।

মমাংগী চহী অহুমগী লাইচৎ অদুদা লমদম অদুগী মীওই ১১,৩০০ হেন্না শিখিবনি। চৈরকসিদা য়ুগান্দাগী ওথোরিটিশিংনসু ঈবোলানা নাবা অতোপ্পা মীওই অমা শিরে হায়না লাউথোকখ্রে। য়ুমথংনরিবা দি আর সীদগী বোর্দর লাল্লকখিবা চহী ৯ শুবদা ঙাইরিবা নুপীমচা অমা চাংয়েং তৌবদা লায়না অদু পল্লম্বা থেংনখিবগা লোয়ননা মহাক শগোলশেল নুমিৎকী নুমিদাংদা লৈখিদবনি।

য়ুগান্দাগী বোর্দর দিষ্ট্রিক্ট কাসেসেদা লৈবা হোস্পিটাল অমদা তোঙান্না থমদুনা লায়েংখিবা অঙাং অদু য়ুমশকৈশা নুমিত্তা মমাগা লোয়ননা দি আর সীদগী বোর্দর লাল্লগা লাকখিবনি হায়না য়ুগান্দগী হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা শগোলশেল নুমিত্তা থোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

ষ্টেটমেন্ট অদুগী মতুং ইন্না নুপীমচা অদুনা উৎলকখিবা লাইওংশিংগী মনুংদা কা হেন্না মশা শাগৎপা অমসুং মরম খঙদনা মচিন ময়াদগী ঈ থোকপনচিংবা য়াওখি। মহাক্কী ব্লদ সেম্পল চাংয়েং তৌবা মতমদা ঈবোলা পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখি। অঙাং অদুদা লায়না পক্লে হায়বসি বোর্দরগী চঙফমদা খঙলকখিবা ওইবনা য়ুগান্দদা মহাক্না কনামত্তগা কন্টেক্ট তৌনখিদে হায়বা য়াই হায়না হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি।

ꯃꯥꯡ/R.C. BOOK LOST

I have lost my R.C. Book of Bajaj Pulsar 180 DTSI, Blue in colour bearing Registration No. MN06S-6438 issued by DTO, Imphal East on the way between Sega Road Khwairakpam Leikai and Langthabal on 29/8/2019.

Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- Meisnam Kiran Singh
Keishampat Leimajam Leikai, Imphal
HL-P/4127/31

OFFICE OF THE
IMPHAL MUNICIPAL CORPORATION
ꯅꯣꯇꯤꯁ/ নোটিশ
তাং ২৬/৮/২০১৯ ইং
Ngari Dukan Maning

No. IMC/99/RO/V-T/Note/2016/17 - অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি Women Vendor No. Ngari Dukan Pareng, Shed No. 04, Licence No. 102 শ্রী/শ্রীমতি Hawaibam Thoibi W/o H. Debendra Meitei of Bashikhong গী মীংদা পানবা পোৎফম অসি Licence Holder মশানা শ্রী/শ্রীমতি Sapam Punima Chanu D/o S. Ibomcha Meitei of Sagolband Moirang Hanuba Mamang Leikai গী মীং ওনবীরো হায়দুনা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অদুনা Licence Holder গা মরী লৈনবা মীওইশিংনা আপতি তৌনীংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ১০ (তরা) নীগী মনুংদা অইবা চেনা আপতি তৌরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌরোই অমদি লাইসেন্সকী মীং ওনখ্রগনি।

Sd/- এসিষ্টেন্ট ম্যুনিসিপাল কম্মিস্নর (রেভিন্যু)
ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন
HL-P/4118/31

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, OINAM
Ref :- Mutation Case No. 542/SDC/Oinam of 2019
1) Naorem Yaima Singh S/o (L) N. Shama Singh of Oinam.
2) -do- (O) Sanathoi Devi W/o N. Yaima Singh of Oinam.
3) -do- Dijen Singh S/o (L) N. Shama Singh of -do-
4) -do- (O) Ibetombi Devi W/o N. Dijen Singh of -do-
5) -do- Sanayaima Singh S/o (L) N. Shama Singh of -do-
6) -do- Bidya Devi W/o N. Sanayaima Singh of -do-
7) -do- Shyam Singh S/o (L) N. Shama Singh of -do-
8) -do- Sobita Devi W/o N. Shyam Singh of -do-
9) -do- Manglemjao Singh S/o (L) N. Shama Singh of -do-
10) -do- (O) Thambou Devi W/o N. Manglemjao Singh of -do-
...Applicants
-Vs-
1) Naorem Shakthi Singh S/o (L) N. Birahari Singh of Oinam
2) -do- Shama Singh S/o (L) -do- of -do-
3) -do- Tomba Singh S/o -do- of -do- - O.P. Pattadars

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE
Oinam, the 28-08-2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি খুল নং ৩০- ওইনাম খুনগী পাট্টা নং ২১৪ (অরিবা), ৬২৯ (অনৌবা), দাগ নম্বর ১১০৮, এরিয়া একর ০.১৬ একর ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদারশিং অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা দংকারিশিংনা মৃ: পাট্টাদার ৩ (অহুম) গী মমিং কল্লগা মখোয়গী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লগা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথখ্রগনি।

Sd/- Victoria Huidrom
Sub-Deputy Collector, Oinam
HL-P/4116/31